# পাকিস্থানগী হোস্পিটালদা বোম পোকখায়খ্রে

## উকিলশিং য়াওনা মীওই ৫৫ হেন্না শিখ্রে, ১০০ হেন্না শোকখ্রে



করাচি, ওগষ্ট ০৮ ঃ
পাকিস্থানগী ঈরাং কনবা সাউথৱেষ্টর্ন বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী ক্বেটা সিটিদা চথুখিবা সুইসাইদ বোম অমসুং নোংমৈগী এটেকশিংদা ঙসি সিটি অদুদা লৈবা গভর্ণমেন্টনা রন তৌবা হোস্পিটাল অমদা মপাঙ্গল লৈরবা বোম অমা পোকখায়বদা অয়ান্বনা উকিলশিং ওইনা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৫ শিখ্রে হায়রি।

বেলোচিষ্টান বার এসোসিয়েসন (বি এ) গী প্রসিদেন্ট এদভোকেট বিলান অনৱার কাশিবু প্রোভিন্স অদুগী কেপিটেলদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা মতুং পুং খরা লৈরগা উকিলশিংনা কাশিগী অশিবা হকচাং পুরক্তুনা লৈরিবা সিভিল হোস্পিটাল অদুদা শাথিরবা বোম পোকখায়বদু থোল্লককখিবনি হায়না পুলিস অমসুং রেস্ক্যু ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

কাশিগী হকচাংবু ওতোপসি পাঙথোক্কবগীদমক্তা ইমরজেন্সি দিপার্টমেন্টদা উকিলশিং অমসুং জর্নেলিষ্টশিংনা পুন্দুনা লৈরিঙৈদা বোম অমা য়াম্না হৌনা পোকখায়বগী মখোল তাখি। অশিবা অমসুং অশোকপা অয়াম্বা উকিলশিংনি অমসুং পুলিসকী ওফিসলশিং অমসুং জর্নেলিষ্টশিংসু য়াওখি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা পুলিস অমসুং থৌদোক্তুবু উহৌবশিংগী ৱারোলশিং পল্লদুনা হায়খি।

বোম পোকখায়রবা মতুংদা শকখঙদবা মীওইশিংনা নোংমৈ কাপখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। এটেক অদুদা মীওই ৫৫ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১০০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না বেলোচিষ্টান গভর্ণমেন্টগী স্পোক্সমেন অনৱারুল হকনা হায়খি। অশোকপা মীওই ২০ লোম অরুবা ফীভমদা লৈরি হায়রি।

বোম পোকখায়বদুগা অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংগা মরী লৈনখিব্রা হায়বগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে অমসুং হৌজিক ফাওবা গ্রুপ অমত্তনা এটেকশিংদুগা মরী লৈননা ক্লেইম তৌরকপা লৈত্রি। শিখিবশিংগী মনুংদা জর্নেলিষ্ট অমা য়াওখি অদুগা অমনা ফীভম লুনা শোকখি হায়না রিপোর্টশিংনা হায়খি।

'মসি সিক্যুরিটিগী অশোয়বা অমনি অমসুং ঐহাক্না মসি ইশানা থিজিনগনি' হায়না বেলেচিষ্টানগী হোম মিনিষ্টর সরফারাজ বুগটিনা হায়খি। ভিদিও ফুটেজনা অশিবা হকচাশিং, ঈখেংশিং অমসুং অকায়বা গ্লাস মচেৎ-মকায়শিং লৈমায়দা তাবা অমসুং এটেক অদুদা হিংহৌবা থম্মোয় শোক্লা ৱাহৌবশিংনা কপ্পা অমসুং অমগা অমগা থেমজিন্নবগী শক্তমশিং উৎখি। অশিবা মীওই কয়া অমুবা স্যুটশিং শেৎপা অমসুং তাই পুনবা মাল্লি হায়রি।

পুলিস অমসুং ফ্রন্টিয়র কোরগী অচৌবা কন্টিনজেন্ট অমা থুংখিবগা লোয়ননা এরিয়া অদুদা মী চঙবদা অথিংবা থমখ্রে হায়রি। এটেক অদু সুইসাইদ বোম্মর অমনা পাঙথোকখিবনি হায়না চিংনরি হায়না বুগতিনা ফোঙদোকখি।

পুলিসকী ওফিসলশিংগী ৱারোল মতুং ইন্না ঙসি অয়ুক ক্বেটাগী মান্নো জান রোডদা লৈবা মেঙ্গল চোককী মনাক্তা মশক খঙদবা মীওই অনীনা এদভোকেট কাশিগী কারদা নোংমৈ কাপশিনখি। থৌদোক অদু কাশিনা ময়ুমদগী থবক্কী থোল্লকপদা থোকখিবনি।

বোমগী এটেক অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ অমসুং প্রসিদেন্ট মামনোন হুশাইননা কন্না কন্দেম তৌখ্রে অমসুং সিনিয়র উকিল কয়াসু শিখিবা এটেক অদুদা মমল য়াল্লবা মীওইবগী পুন্সি কয়া মাংহনখিবদুদা থম্মোয় শোক্লা ৱাবা অমসুং পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিং, পুলিস অমসুং বেলোচিষ্টানগী মীয়াম্না মশিং থিঙমদ্রবা কথোকপা কয়াগা লোয়ননা প্রোভিন্স অদুদা হঞ্জিনহল্লকখিবা ঈং-চিকপগী ফীভমদু কনামত্তনা অকায়বা থোকহল্লোই' হায়না শরিফকী ৱারোল অমনা হায়খ্রে অমসুং ওথোরিটিশিংদা মীৎকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা অমসুং ক্বেটাগী সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহন্নবা আপিল তৌখ্রে।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং য়াম্না থুনা প্রোভিন্সিয়ল চীফ মিনিষ্টর সানাউলা জেহরিনা ফীভমদুগী মতাংদা খন্ননবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা কৌখ্রে।

প্রোভিন্সিয়ল গভর্ণমেন্টনা থৌদোক্তুদা শিখিবশিংদুগীদমক্তা নুমিৎ হুম্নি অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে। নুমিৎ হুম্নিসিগী মনুংদা লৈবাক্কী ফিরাল গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিংদা তঙ্খায় চিংথদুনা থমগনি।

ইরান অমসুং অফঘানিষ্টানগা লোন্নবা প্রোভিন্সকী কেপিটেলদা চথুখিবা শাথিরবা বোমগী এটেক অদুগী মতুংদা সোসল নেটৱার্কিং সাইট ফেসবুকনা মসিগী 'সেফটি চেক' ফিচর এক্টিভেট তৌখ্রে হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়াগী দিপ্লোমেট অমা ধাকানা তাম্থোকখ্রে



ধাকা, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) ঃ
লোনা য়াদবা মওংদা চুরুট মিলিয়ন অমা হেন্না অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎ- চৈ ময়াম বাংলাদেশতা পুশিল্লন্বদগী ফাখিবা নোর্থ কোরিয়াগী দিপ্লোমেট অমা ধাকানা তাম্থোকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোক্লি। পোৎলমশিং অদু সিপ্পিং কন্টেন্নর অমদা হাপ্লগা পুশিল্লকখিবনি হায়রি।

ধাকাদা লৈবা নোর্থ কোরিয়ন এম্বেসিগী অহানবা সেক্রেটরি হান মোন ইক দোল্লর মিলিয়ন মখায়রোমগী ওইগদবা পোৎ-চৈশিং কষ্টমসতা ফোংনা লাউথোকখিদবগীদমক্তা লৈবাক্তু থাদোক্তুনা চৎখিনবা ওর্দর তৌখ্রে।

বাংলাদেশকী ফোরন সেক্রেটরি শহিদুল হকনা নোর্থ কোরিয়নশিংদা ওর্দরদু পীখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌখি তৌইগুম্বসু মহাক্না চৎখিনবগী মতমদুদি ফোঙদোকউ য়াখিদে। লোকেল মিদিয়ানা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, মহাক নিংথৌকাবা নুমিৎফাওবগী মনুংদা লৈবাক্তু থাদোক্ক বা ওর্দর তৌখি।

'দিপ্লোমেটিক চৎন-পথাপশিং খোঙ্গাওনবগীদমক্তা ঐখোয়না নোর্থ কোরিয়নশিংদা মহাকপু লৌশিনখিনবা হায়খ্রে' হায়না বাংলাদেশকী তোপ ফোরন ব্যুরোক্রেট হকনা এ এফ পিদা হায়খি। মহাক্না অকুপ্পা মরোলশিংদি পীখিদে।

কষ্টমসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা এ এফ পিদা হায়খি, দিপ্লোমেট অসিনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা মহাক্কী দিপ্লোমেটিক ইম্ম্যুনিটিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মীরমগী পোৎ-চৈ ময়াম বাংলাদেশতা পুশিল্লকখি। মদু ব্লেক মার্কেটতা থাদোক্কবনি হায়না চিংনবা লৈখি।

'দিপ্লোমেট অদুনা মহাক্কী কার্গো অদুদা চানবা পোৎলমশিং অমসুং সোফট ড্রিঙ্কশিং য়াওই হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসু ঐখোয়না কার্গোদু হাংদোক্তুনা য়েংলুবা মতমদা মমল তাংলবা চুরুট ময়াম অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎ-চৈ ময়াম য়াওরমখি' হায়না বাংলাদেশ কষ্টমসতা ইন্টলিজেন্সকী মকোক ওইরিবা মোইনুল খাননা এ এফ পিদা হায়খি।

'কৈথেলগী মমলশিংদা পো-খোকশিং অসি টাকা মিলিয়ন ৩৫ (দোল্লর ৪৩০,০০০) গী ওইগনি। মহাক্না পোৎ-চৈশিং অসি লোকল স্মগলিং গেংশিংদা য়োন্ননবা পুরকখিবনি হায়না ঐখোয়না চিংনৈ' হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এ এফ পিনা খুদক্তা নোর্থ কোরিয়ন এম্বেসি কন্টেক্ট তৌদুনা কম্মেন্ট লৌবা ঙমখিদে।

হৌখিবা চহীগী মার্চ থাদা অতোপ্পা নোর্থ কোরিয়ন দিপ্লোমেট অমসু কৈথেলদা দোল্লর মিলিয়ন ১.৭ কী ওইগদবা সনা কিলোগ্রাম ২৭ (পাউন্দ ৬০) রোম লৈবাক অদুদা (বাংলাদেশ)তা লোনা য়াদবা মওংদা পুশিন্নবা হোৎনরম্বদগী ধাকা এয়রপোর্টতা ফারবা মতুংদা নমদুনা এপোলোজাইজ তৌহনখি।

# টর্কিদা শিবগী চৈরাক অমুক হন্না চৎনহনবগী ৱাফম শৌগৎকনি : টর্কিশ প্রসিদেন্ট

ইস্তানবুল/অঙ্কারা, ওগষ্ট ০৮ ঃ
টর্কিদা শিবগী চৈরাক অমুক হন্না চৎনহনবগী ৱাফমদা মহাক্না অয়াবা পীগনি হায়না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ইর্দোগননা মহাকপু শৌগৎপা মীওই মিলিয়ন অমরোমগী রেলিদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখ্রে।

ফেল ওইখিবা কূ অমগী মতুংদা মহাক্না ৱা ঙাঙবা তানবা তিনখিবা য়াল্লবা মীয়ামদা রেসেপ টায়ীপ ইর্দোগননা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্টনা ভোট লৌনদুনা শিবগী চৈরাক অমুক হন্না পুরকপা তারবদি মহাক্না মদুবু শৌগৎকনি।

খোঙথাং অদুনা টর্কিনা ঈ যুদা য়াওনবগী ৱাফমশিং অদু অরেম্বা তাহনবা য়াই, মরমদি গ্রুপ অসিগী ওইনদি মালেম পুম্বদা শিবগী চৈরাক মুথৎনবা আপিল তৌবা হায়না মাঙজৌননা য়ানখ্রবনি।

কাউন্সিল ওফ য়ুরোপকী গাইদলাইনশিংনা হায়রি মদুদি, ঈ য়ুদা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা শিবগী চৈরাক পীবদা থল্লিবা অথিংবশিংবু ঙাক্কদবনি অমসুং য়ুরোপিয়ন কনভেন্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস (ঈ সি ঐচ আর) গী ৬শুবা প্রোটোকোল রেটিফাই তৌদুনা মতম পুম্বগী ওইনা চৈরাক মখল অসিবু মুথৎকদবনি।

ইস্তানবুলদা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্ট ইদোর্গননা ৱা ঙাঙখিবা রেলি অদুগী পান্দমদি জুলাই ১৫ গী কূ এটেম্প অদুগী মতুংদা লৈবাক অদুদা অদুগুম্বা থৌদোক থোকহন্দনবগী করি করি তৌবা য়াবগে হায়বদুগী মতাংদা লৈবাক মীয়ামগা ৱাখল তামিন্নবনি। কূ এটেম্প অদুগী মতুংদা পাক শন্না মী ফাবা অমসুং টর্কিগী সিভিল সার্ভিসতা লৈরিবা মখল-মখা কয়াগী য়াল্লবা ইমপ্লোয়ীশিং মফম লৌথোকপগী খোঙথাংশিং লৌখৎখি।



লৈবাক শিন-থুংনা পব্লিক স্ক্রনশিংদা লাইভ ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা 'দিমোক্রেসি অমসুং মার্টরশিংগী রেলি' অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রসিদেন্ট ইর্দোগননা হায়খি, 'করিগুম্বা লৈবাক অসিনা শিবগী চৈরাক শৌগৎতুনা অসিগুম্বা ৱারেপ অমা লৌরকপা তারবদি, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ৱারেপ অসি শৌগৎলক্কনি হায়না ঐহাক্না থাজে।'

'টর্কিশ পার্লিয়ামেন্টনা ৱাফম অসিদা (শিবগী চৈরাক্কী মতাংদা) ৱারেপ লৌগদবনি। ঐহাক্কী ওইনদি পার্লিয়ামেন্টনা লৌরকপা ৱারেপতু এপ্রুভ তৌগনি হায়না মাঙজৌননা লাউথোক্লি।

মহাক্না কূ এটেম্প অদু য়ু এসতা বেজ তৌবা ক্লারিক ফেটুলা গুলেনগী নেটৱার্ককী খুৎনি হায়না মরাল শিখি অমসুং নেটৱার্ক অদু লোগী ফ্রেমৱার্ককী মনুংদা থুগায়গদবনি হায়খি।

মহাক্না জর্ম্মনিবুসু দেমোক্রেটিক ওইদবা লৈবাক্নি, লৈবাক্তুদা লৈরিবা টর্কশিংবু ভিদিও লিঙ্ক অমগী খুত্থাংদা মহাক্না ৱা ঙাঙলিবদু য়েংনবগী অয়াবা পীদে হায়না মরাল শিখি।

মহাক্না হায়খি, 'দিমোক্রেসিবু কদায়দনো? মখোয়না টেররিষ্টশিংবু য়োকপী থাকপীসনু, লাক্লগা মখোয়দা ওনশিন্দুনা এটেক তৌজগনি।'

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা জর্ম্মন ওথোরিটিশিংনা ইর্দোগনবু ভিদিও লিঙ্ককী খুত্থাংদা কোলোনদা পাঙথোকখিবা রেলি অমদা ৱা ঙাঙবা য়াহনখিবনি। ফীভম অদুদা অঙ্কারানা জর্ম্মন এম্বেসিগী চার্জ পুরিবা দিপ্লোমেটপু খুদক্তা কৌখৎখি।

# অর্বিট্রেসন রুলিং মতুংদা য়ু এসকী সিপ চাইনাদা থুংখ্রে

কিংদাও, ওগষ্ট ০৮ ঃ চাইনানা সাউথ চাইনা সিদা পাক শন্না ক্লেইম তৌরিবশিংদু লোগী মতুং ইন্না চৎনবা য়ারোই হায়না ইন্টরনেসনেল অর্বিট্রেসন পেনেলগী রুলিং অমদা বৈজিংনা খোয়রাং খোয়শাওননা রেস্পোন্দ তৌখিবা মতুংদা লৈবাক অদুদা অমেরিকন ৱারসিপ অমনা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইনা য়ু এস নেভিগী গাইদেদ মিসাইল দেসট্রোইয়র অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্দন চাইনিজ পোর্ট কিংদাওদা থুংখ্রে।

চাইনাগী নোর্দন ফ্লীটকী হোম পোর্টতা থুংলখিবা য়ু এস এস বেনফোল্ডনা চাইনিজ নেভিগা সিগনেলস এক্সরসাইজ অমা পাঙথোকখি।

মীদিয়াদা মতম ইরৌ লৌদনা ৱা ঙাঙখিবা কোম্মদর জষ্টিন এল হার্টসনা হায়খি, খোঙচৎ অদুগী পান্দমদি চাইনিজ নেভিগী লেংমান্নবশিংগা মরী শাগৎপনি। তৌইগুম্বসুং সাউথ চাইনা সিগী টেন্সনশিংগী মতাংদা হংখিবা ৱাহংশিংগী মতাংদা মহাক্না ৱাহংশিং অদু হৱাইদা লৈবা পেসিফিক কম্মান্দনা পাউখুম পীগনি হায়খি।

এসিয়াদা লৈরিবা য়ু এস নেভিগী তোপ ওফিসর এদমিরেল স্কোট স্বীফটনা কিংদাওদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মীদিয়াগা উন্নগনি।

ফিলিপিন্সনা পুখৎলকখিবা কেস অমগী মতাংদা হেগতা লৈবা পার্মিনেন্ট কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন্না হৌখিবা থাদা পীখিবা রুলিং অমা চাইনানা রিজেক্ট তৌখি অমসুং অর্বিট্রেসনদুদা বৈজিংনা শরুক য়াখিদে।

বৈজিংনা য়ু এসপু মসিগী ট্রিটিপার্টনরদা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা পুক্লিং থৌগৎপগীদমক অমসুং বৈজিংদা রুলিং অদুবু ইকায় খুম্ননবা আপিল তৌখিবগীদমক্তা কন্না ক্রিটিসাইজ তৌখি।

হৌখিবা চয়োলদা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়ীনা হায়খি, য়ু এস, জপান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা রিজনেল টেন্সনগী মরী হেনগৎহন্নবা হোৎনরি। মখোয়না জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা চাইনাদা য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুক্তা মিলিটরি আউটপোষ্টশিং শাদনবা নৎত্রগা লম কয়া নৌনা ক্লেইম তৌবা তোক্লবা তকশিনখিবা মতুংদা ৱাং য়ীনা ৱাফমদু ফোঙদোকখিবনি।

হেগগী রুলিং অদুগী মতুংদা চাইনানা ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইনা য়াম্না মরু ওইরিবা ঈশিংগী মফম অপুম্বদু পুৱারীদা মখোয়গী ওইদুনা লাকখি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন পন্দুনা লাকখি।

# প্রসিদেন্ট হাদি শৌগৎপা য়েমেনগী ফোর্সশিংনা কেপিটেল সানাগী মনাক্তা লাল হৌখ্রে

দুবাই, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) ঃ
য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শিন্দুনা কুৱেটতা পাঙথোকখিবা পিছকী ৱারী শানবা এগ্রীমেন্ট অমত্তা পুরকপা ঙমদনা লোইশিনখ্রবা মতুংদা প্রসিদেন্ট অবদ-রবু মনসৌর হাদিসু শৌগৎপা ফোর্সশিংনা থাংজ নুমিৎতা য়েমেনগী কেপিটেল সানাগী নোংপোক্লোমদা অনৌবা লান্দা অমা চথুখ্রে হায়না মিলিটরি কম্মান্দনা ফোঙদোকখ্রে।



সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন অমনা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা শৌগৎখিবা লান্দা অদু ইরানগা মীচং ওইনবা হৌথিশিং অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট অলি অব্দুলাবু সালেহনা য়ু এনগী অপাম্বগী মায়োক্তা মেম্বর ১০ লৈগদবা গভর্নিং কাউন্সিল অমা লাউথোকখিবগা চান্ননা হৌখিগনি হায়রি।

হৌথিশিং অমসুং শালেহগী জেনরেল পিপলস কোংগ্রেস (জি পি সি) না য়েমেনগী অৱাংথংবা তঙ্খায় অপুন্বা পায়শিল্লি অদুগা হাদিবু শৌগৎপা ফোর্সশিংনা লোকল ট্রাইবশিংগা লোয়ননা লৈবাক্তুগী লেমহৌরিবা শরুকশিং পায়শিন্দুনা লৈরিবনি।

তঙ্খায় অমদি মীচমশিং ওইদুনা লাল অদুদা মীওই ৬,৪০০ হেন্না শিখ্রে। মিদ্দল ইষ্টকী খ্বাইদগী লায়রবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লৈবাক অদুদা লাল অদুনা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস অমা থোকহনখ্রে। অল কাইদা অমসুং মসিগী লাম্বা ওইবা মিলিটেন্ট গ্রুপ ইস্লামিক ষ্টেটনা লালদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা অহেনবা খোঙলোয়শিং রিক্রুট তৌনবা অমসুং রেদ সি অমসুং গল্ফ ওফ অদেনগা লোয়ননা লৈদুনা মরু ওইবা সিপ্পিং লেনশিং কন্ট্রোল তৌরিবা লৈবাক অদুদা মরা তাশিন্নবা হোৎনখি।

প্রো-হাদি সাবান্যু দোট নেট ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি মদুদি, আরাব কোলিসনগী এয়র ষ্ট্রাইকশিংগী সপোর্টকা লোয়ননা য়েমেনি আর্মি অমসুং মীচং ওইবা লোকল ট্রাইবসমেনশিংনা সানাগী নোংপোক্তা লৈবা নেহেম দিষ্ট্রিক্টপু নিংতমহন্নবগী মরু ওইবা ওপরেসন অমা হৌখ্রে। এরিয়া অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দগী হৌথিশিংনা কন্ট্রোল তৌরকখিবা কেপিটেল তাবা মরু ওইবা লম্বী অমনি।

'আর্মি অমসুং রেজিষ্টেন্স কাঙবুনা হান্না কূ লাংখিবা মিলিস্যাশিংনা কন্ট্রোল তৌখিবা মরু ওইবা মিলিটরি পোজিসন কয়া লিবরেট তৌনবা হোৎনখি। মখোয়গী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মফমদি নেহেম দিষ্ট্রিক্টকা তাইননা লৈবা মানারা মাউন্টনি' হায়না এজেন্সি অদুনা মিলিটরি স্পোক্সমেন অমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

য়েমেনগা সাউদি অরাবিয়াগা লোন্নবা মফমদসু লান শোক্কখি। মফমদুদা য়েমেনগী মায়কৈদগী কাপ্পদা সাউদি বোর্দর গার্দ অমা শিখ্রে হায়না সাউদি ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি এস পি এনা সিক্যুরিটি স্পোক্সমেন অমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

সাউদিনা লুচিংবা কোলিসননা হৌথিশিংবু বোর্দর পরিংদা এটেক হেনগৎলকই হায়না মরাল শিখি। য়েমেনগী পিছ টোক মায় পাকহন্নবগী ৱাখলদা কোলিসনগী মায়কৈদগীদি মিলিটরি ওপরেসনশিং হন্থখ্রবনি।

'য়েমেনগী ৱাথোক্কী ৱারী শান্নবা লেপখ্রবা মতুংদা মিলিস্যাশিংনা বোর্দর পরিংদা মিলিটরি ওপরেসনশিং হৌখ্রে' হায়না স্পোক্সমেন জেনরেল অহম্মদ অল-অশেরিনা হৌথিশিংগী মতাংদা পল্লদুনা সাউদি গভর্ণমেন্টনা রন তৌবা অল-হাদাথ টেলিভিজন্দা হায়খি। 'হৌথি মিলিটেন্টশিংনা পোলিটিকেলগী ওইনা য়েংবদা মাংখিবশিং কুপখৎনবা গ্রাউন্দদা মায় পাক্লবা হোৎনরি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কুৱেটতা ৱারী শান্নবদু য়েথোক্লে অমসুং মদু থা অমগী মনুংদা চপ চানা হায়নদ্রিবা মফম অমদা মখা চথুগনি হায়না য়ু এনগী স্পেসিয়েল পাউখোল্লোয় ইশমাইল উল্দ চৈইখ অহম্মদনা লাউথোকখিবা মতুংদা সাউদিগী মায়কৈদগী কম্মেন্টশিং অদু ফোঙদোরকখিবনি।




HL-B/3200/18/07-17/08

# EMPLOYMENT NEWS

## Join Indian Army Recruitment – NCC Special Entry Scheme (55 Vacancies) – Last Date 18 August 2016

Indian Army invites Application from married/unmarried Male and unmarried Female candidates and also from Wards of Battle Casualties of Army Personnel, for grant of Short Service Commission in the Indian Army under NCC Special Entry Scheme 41st Course – Apr 2017. Apply Online before 18 August 2016.

**Job Details For Indian Army :**
Post Name : NCC Special Entry Scheme 41st Course
No. of Vacancies : 55 Posts (Male – 50 Posts & Female – 05 Posts)

**Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :**
Educational Qualification :
For NCC 'C' Certificate Holders : Degree of a recognized University or equivalent with aggregate of minimum 50% marks taking into account marks of all the years/semesters and Should have served for minimum two academic years in the senior Division/Wing of NCC Should have obtained minimum of 'B' Grade in 'C' Certificate Exam of NCC.
For Ward of Battle Casualties of Army Personnel Only : Degree of a recognized University or equivalent with aggregate of minimum 50% marks taking into account marks of all the years/semesters.
Nationality : Indian
Age Limit : 19 to 25 years as on 01 Jan 2017 (born not earlier than 02 Jan 92 and not later than 01 Jan 98, both dates inclusive)
Job Location : All India

**How to Apply Indian Army Vacancy :**
Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 21.07.2016 to 18.08.2016.

**For Ward of Battle Casualties of Army Personnel Only :** Applicants under category of Wards of Battle Casualties to send their completed applications direct to Directorate General of Recruiting/ Rtg-A, NCC Entry, AG's Branch, IHQ of MoD (Army)' West BlockIII, R.K. Puram, New Delhi-110066 alongwith all documents (less NCC 'C' Certificate) on or before 22.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 21.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 18.08.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_20_1617b.pdf

**Apply Online :**
**http://joinindianarmy.nic.in/Alpha/index.htm**

## Join Indian Army Recruitment – SSC (T)-48 Men and SSCW (T)-19 Women Course (170 Vacancies) – Last Date 24 August 2016

Indian Army invites Application from married/unmarried Male and unmarried Female Engineering Graduates for Grant of Short Service Commission into SSC(T)-48 Men and SSCW (T)-19 Women Course commencing in April 2017 at Officers Training Academy (OTA), Chennai, Tamil Nadu. Apply Online before 24 August 2016.

**Job Details For Indian Army :**
Post Name : SSC(T)-48 Men and SSCW (T)-19 Course
No. of Vacancies : 170 (Men – 150 Posts & Female – 20 Posts)

**Engineering Streams wise Vacancies :**
Civil : Men – 36 Posts & Female – 06 Posts
Mechanical : Men – 10 Posts & Female – 05 Posts

**Electrical/Electrical & Electronics :**
Men – 16 Posts & Female – 05 Posts

Aeronautical/Aviation/Aerosp ace/Ballistics/Avionics :
Men – 10 Posts

Computer Sc & Engg/Computer Technology/Info Tech/M.Sc (Computer Sc) : Men – 23 Posts

Electronics & Telecommunication/Telecom munication/ Electronics & Communication/ Satellite Communication :
Men – 22 Posts & Female – 04 Posts

Electronics /Opto Electronics/Fibre Optics/Micro Electronics & Microwave : Men – 11 Posts

Industrial : Men – 01 Post

Automobile /Workshop Technology : Men – 02 Posts

Metallurgical : Men – 02 Posts

Electronics & Instrumentation/Instrumentation : Men – 02 Posts

Architecture/Building construction Technology : Men – 03 Posts
Food Tech/Bio Tech/Bio Medical Engg : Men – 02 Posts
Chemical Engg : Men – 02 Posts
Production Engg : Men – 04 Posts
Remote Sensing : Men – 02 Posts
Transportation Engg : Men – 01 Post
Laser Tech : Men – 01 Post

**Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :**
Educational Qualification : Candidates who have passed Engineering Degree or are studying in the final year examination of Engineering course are eligible to apply and should also be from recognized College/University of India.
Nationality : Indian
Age Limit : 20 to 27 years as on 01 Apr 2017. (Candidates born between 02 Apr 90 and 01 Apr 97) (Both dates inclusive)
Job Location : All India

**How to Apply Indian Army Vacancy :**
Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 27.07.2016 to 24.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 27.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 24.08.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_21_1617b.pdf
Detail Advertisement & Application Form Link : http://164.100.47.132/JRCell/Module/Notice/216Security%20Assistant.pdf